# দেল্লীগী ওক্সিজেন দিমান্দ হন্থরক্লে
## সরপ্লস ওক্সিজেন অতৈ ষ্টেটশিংদা পীনবা সেন্টরদা হায়খ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ১৩ (এজেন্সী):
দেল্লীগী নোংমগী মথৌ তাবা ওক্সিজেনগী চাং এম টি ৭০০তগী এম টি ৫৮২দা হন্থরকখিবগা লোয়ননা নেসনল কেপিটেল অসিগী অহেনবা ওক্সিজেন কোটা ওক্সিজেনগী তঙাই ফদবা লৈবা অতৈ ষ্টেটশিংদা সপ্লায় তৌনবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সেন্টরনা দেল্লীগী নোংমগী ওক্সিজেন কোটা এম টি ৫৯০দা লেপখি। দেল্লীগী হোস্পিটালশিংদা নুমিৎ খূদিংগী থেংনবা পোজিটিভ কেস মশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা খঙহন হন্থরকখিবগা লোয়ননা নোংমগী মথৌ তাবা ওক্সিজেন দিমান্দসু হন্থরকখি। দেল্লীগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়ানা ফোঙদোরকপদা, ইনফেক্সন ৱাংলিঙৈ মনুংদা ঐখোয়দা হোস্পিটালশিংদগী এস ও এস কোলশিং তোয়না লাকখি। হৌজিক্তি ঐখোয়না এস ও এস কোল অমা নৎত্রগা অনীদগী হেন্না লাক্তে। ঐখোয়না থিন্থবা তৌদনা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌখি।

দেল্লী গভর্ণমেন্ট অসি মশাগী তৌফম থোকপশিং মুন্না খঙবা গভর্ণমেন্টনি। অদুনা দেল্লীগী নোংমগী ওইবা ওসিজেনগী চাকথুং এম টি ৫৮২দা হন্থনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা হায়জরি। মসিনা ওক্সিজেন মথৌ তাবা ষ্টেটশিংদা দেল্লীগী কোটাদগী অহেনবা ওক্সিজেন ফংহনগনি।

দেল্লীগী কোভিদ মেনেজমেন্টকী নোদেল মিনিষ্টরসু ওইরিবা সিসোদিয়ানা হায়, হৌখিবা এপ্রিলগী অরোইবা চয়োল অমসুং মেগী অহানবা চয়োলদা কোভিদ কেসকী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌখি। নোংমদা টেষ্ট ৮০,০০০ হেন্না পাঙথোকপদা মীওই ২৮,০০০ রোম পোজিটিভ ওইখি। খ্বাইদগী ৱাংবা কেস মশিং অসি এপ্রিল ২০দা থেংনখি। মতম অসিদা দেল্লীগী পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৩৬ ফাওবা য়ৌখি। খ্বাইদগী ৱাংবা চাং এপ্রিল ২২দা থেংনখি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা পূন্না কেস ১০,৪০০ থেংনখিবগা লোয়ননা নোংমগী ওইবা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১৪ রোম হন্থরে।

কেস মশিং হেনগৎলক্লগদি ওক্সিজেনগী দিমান্দসু হন্থরকই হায়না পল্লদুনা সিসোদিয়ানা হায়, ইনফেক্সন য়াম্না ৱাংলিঙৈ মতমদা দেল্লীগী নোংমগী মথৌ তাবা ওক্সিজেনগী চাং এম টি ৭০০ য়ৌখি। সেন্টরনা লেপ্পা ফোর্মুলাগী মতুং ইন্না হৌজিক দেল্লীগী নোংমগী মথৌ তাবা ওক্সিজেনগী চাং এম টি ৫৮২দা হন্থরে।

মতম চানা মতেং পাংবীদুনা দেল্লীগী মথৌ তাবা ওক্সিজেন ফংহনবগীদমক সিসোদিয়ানা সুপ্রিম কোর্ট, দেল্লী হায় কোর্ট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তৌবীমল খঙবা উৎখি।

# ভেক্সিন সপ্লায়গী মতাংদা গ্লোবেল টেন্দরগী প্রোসেস
## হৌনবা সুশিল মোদিনা নিতিশতা তকশিনখ্রে

পটনা, মে ১৩ (এজেন্সী):
ভেক্সিন সপ্লায়গী মতাংদা সেন্টর অমসুং ইন্দিয়ন ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনিশিংগী মপান তাংলগা লৈতনবা মপান লৈবাকশিংদগী ভেক্সিন লৈরগা বিহারগী মীয়াম ভেক্সিন কাপ্পবা ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সুশিল মোদিনা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারদা তকশিনখ্রে।



হিন্দিদা পরিং নাইনা ইবা ত্বিটশিংদা হৌজিক রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা সুশিল মোদিনা হায়খি, নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টনা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্ট অমসুং দোমেষ্টিক ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনিশিংগী মপান তাংদুনা লৈবগী মহুত্তা মালেমগী লৈবাক অমদগী হেক্তা লৈনবগী গ্লোবেল টেন্দরগী প্রোসেস হৌগদবনি।

বিহারগী মীশিং ক্রোর ১২ হেল্লি অমসুং চহী ১৮ মথক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক ভেক্সিন দোজ ক্রোর কয়া মথৌ তারগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, ভেক্সিন ক্রোর কয়া সপ্লায় তৌবা হায়বসি ইন্দিয়ন কম্পনিশিংনা ঙম্লোই। মরম অদুনা ভেক্সিন ফংনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেদি গ্লোবেল টেন্দর অসিনি। অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা, উদিশা অমসুং দেল্লীনসু গ্লোবেল টেন্দর খন্নরি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগীদমক্তা বিহার গভর্ণমেন্টকী ফন্দ লুপা ক্রোর ৪,১৬৫ লৈরিবসি য়াম্না মরাং কায়রবনি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মপান্দগী ভেক্সিন লৈনবগী প্রোসেস থিন্থরোইদবনি। ঐখোয়না অহিং নুংথিল নাইদনা ভেক্সিন পুথোকপা হৌখ্রবসু দিমান্দ ফংহনবা ঙমদবা দোমেষ্টিক কম্পনিশিংদগী ভেক্সিন পীরকপা ঙাইরোইদবনি।

# দি সী জি আইনা কোভেক্সিনগী ফেজ টু-থ্রী চাংয়েং য়াহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৩ (এজেন্সী):
দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)না চহী ২দগী ১৮ ফাওবগী মীওই গ্রুপ্তা কোভেক্সিন (কোভিদ ভেক্সিন)গী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ক্লিনিকেল চাংয়েং পাঙথোকপগী অয়াবা ভেক্সিন অসিগী মেন্যুফেক্চরর ভারত বাইওটেক লিমিটেদতা পীখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিত্তা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, চাংয়েং অদু মশা-মঙৈ ফরিবা ভোলুন্টিয়র ৫২৫দা পাঙথোক্কনি। চাংয়েং অদুদা অহানবা নুমিৎ অমসুং ২৮নি শুবা নুমিত্তা মসলদা দোজ ২ থোক্লা ভেক্সিন কাপকনি। নীংথিনা এগজামিন তৌরবা মতুংদা দি সী জি আইনা সবজেক্ট এক্সপর্ট কম্মিটি (এস ঈ সী) রিকমন্দেসন য়াখি।

লৈবাক অসিগী নেসনল দ্রগ রেগুলেটর অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা চহী গ্রুপ্তা ক্লিনিকেল চাংয়েং পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখিবা অসিগা লোয়ননা হৌজিক শাথিরবা লায়না লাইচৎ অসিদগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবুসু কন্ননবগী লম্বী ফাৎখ্রে।

# কেরলাগী সী এম বিজায়ন মে ২০দা ৱাশক লৌরগনি

থিরুভানন্থপুরম, মে ১৩ (এজেন্সী):
কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়ন মে ২০দা ৱাশক লৌগনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী কেবিনেটকী সাইজগী মতাংদদি ৱারেপ লৌদ্রি।

কেবিনেটকী মতাংদা হংবদা বিজায়ননা হায়, লেফ দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এল দি এফ)কী মীটিং মথং চয়োলদা পাঙথোক্লবা লেপ্লে। হৌজিক ৱারী শান্নরি। এল দি এফকী মীফম লোইরবা মতুংদা কেবিনেটকী ৱারেপ লৌগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু কোভিদ প্রোটোকোলশিং নীংথিনা খাক্তুনা ষ্টেট সেক্রেটেরিএটতগী পংলাপ লাপ্তুনা লৈবা সেন্ট্রেল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মী ৭৫০দগী হেন্না তিল্লোই।

ৱাশক লৌবগী মতম চয়োল অমত্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা কেবিনেটকী মতাংদা ৱারী কন্না শানরি। হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ বিজায়ননা লৌগনি। মখা তানা পাৱর পায়বা ঙম্বা ষ্টেট অসিগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা বিজায়ননা এল দি এফকী মরু ওইবা ৱারেপ খূদিংমক লৌরগনি।

কেবিনেটকী সাইজগী মতাংদা বিজায়ননা হৌজিকসু ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। রুলশিংগী মতুং ইন্না সী এমগী ফম য়াওনা য়াল্লবদা মিনিষ্টর ২১ থম্বা য়াই।

বিজায়ননা মিনিষ্টরগী চাদিং হন্থনবা কুমজা ২০১৬তা মিনিষ্টর ২৩দগী হেন্দনবা ৱারেপ লৌখি। তৌইগুম্বসুং হন্দক্তি মেম্বর ১৪০ লৈবা এল দি এফতা এল দি এফনা পূন্না সিট ৯৯ পায়বা ঙম্লকপা অসিনা বিজায়ননা মমাঙগী ৱারেপ হোংগদ্রা হায়বা ৱাফম অমা লাক্লি।

বিজায়নগী মমাঙগী কেবিনেটতা সী পি আই-এমনা মিনিষ্টর ১২ অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়খি। অনীশুবা খ্বাইদগী চাওনা মীচঙ সী পি আইনা মিনিষ্টর মরি অমসুং নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) কোংগ্রেস (এম)অমসুং জনতা দল (এস)না মিনিষ্টর অমমম ফংখি।

অদুম ওইনমক, হন্দক্তা লেফট পার্টি অসিনা কেরলা কোংগ্রেস (বি), ইন্দিয়ন নেসনল লীগ (আই এন এল) অমসুং কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন্দগী চোংথোরকখিবা কেরলা কোংগ্রেস (মনি) অমসুং লোকতন্ত্রিক, জনতা দলদা মীচঙগী ষ্টেটস পীখি। কেবিনেট লেপ্পদা পার্টিশিং অসি য়াওহনগদৌরিবনি।

কুমজা ২০১৯গী এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা য়ু দি এফ থাদোকখিবদগী লেফকী খোঙবু অমা ওইরকখিবা কোভুর কৃষ্ণমোনগী ৱাফমসু লৈরি। হন্দকসু মহাক থংন-থংননা মঙারকশুবা ওইনা মীখলদা মায় পাকখি। কেবিনেটকী ৱাফম অসি বিজায়ননা লেপকনি হায়বসিদা চিংননিংঙাই লৈত্রে হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা মিদিয়া ক্রিটিক অমনা হায়রি।

# টেজপালগী দিফেন্স উকিল কোভিদকা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসন্দগী লৈখিদ্রে

পানাজি, মে ১৩ (এজেন্সী):
টেহলকাগী হান্নগী এদিটর-ইন-চীফ তরুন টেজপালগী দিফেন্স উকিল রাজীভ গোমেস কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিংনা মরম ওইদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা সাওথ গোৱা দিষ্ট্রিক্টকী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৪৭ শুরবা উকিল অসি রেপকী ত্রাইএল অমদা টেজপালগী লীদ উকিলনি। চহী নিপাল শুরক্লবা কেস অসিগী ফাইনেল হীয়ারিং চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা লোইশিনখি।

ষ্টাফ ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ত্রাইএল কোর্ট অমনা কেস অসিগী জজমেন্ট লাউথোকপগী মতম য়েথোকখিবা নুমিত্তা উকিল অসি লৈখিদবনি। গোৱাদা হৌজিক নুমিৎ ১৪নি কর্ফ্যু তৌরি। কর্ফ্যু অদু মে ২৩দা লোইগদবনি।

গোৱাগী নহা ওইরিবা টোপ উকিলশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খন্নবা উকিল অসিনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্ত অমদি ওপোজিসনগী লুচিংবা দিগম্বর কামাতনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

টেহলকাগী হান্নগী এদিটর তরুন টেজপালগী মায়োক্তা ফাইল তৌখিবা রেপ কেসতা গোমেসনা দিফেন্স টিমগী মকোক ওইরকখি।

টেহলকাগী হান্নগী এদিটর অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৬, ৩৪১, ৩৪২, ৩৫৪এ অমসুং ৩৫৪বিগী মখাদা বূক তৌখিবনি।

# য়োগিনা এ এম য়ুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে

অলিগর, মে ১৩ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা শগোলশেন নুমিত্তা কোভিদনা মরম ওইদুনা ফেকল্টি মেম্বর কয়া শিখ্রবা অলিগর মুসলিম য়ুনিভর্সিটি (এ এম য়ু)দা চত্নুনা মফম অসিগী কোভিদ ক্রাইসিসকী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মহাক য়ুনিভর্সিটি অসিদা ভিজিট তৌবা য়ু পিগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইরে।

কোরোনা ইনফেক্সন থিংনবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং চীফ মিনিষ্টরনা য়েংশিনখি অমসুং ভাইস চান্সেল্লর তারিক মন্সুর অমসুং অতৈ ওফিসলশিংগা খন্ন-নৈনখি। নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা অদিত্যানাথনা ভাইস চান্সেল্লরগা ফোন্দা ৱারী শানখি অমসুং কেম্পস অসিগী হৌজিক সর্ভিসতা লৈরিবা ফেকল্টিগী মেম্বর ১৬ অমসুং থবক্তগী পোথাখ্রবা মেম্বর ১৮ য়াওনা কোভিদনা মীওই কয়া শিহনখিবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ৱারী শানবা অদুদা মহাক্না কোভিদ লায়েংদা চঙবা হীদাক-লাংথকশিং অমসুং ওক্সিজেনশিং য়াওনা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা পীখি। ওফিসল চেরোল অমগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এক্টিভিটিশিংগী মরমদা হংখি।

অলিগর মুসলিম য়ুনিভর্সিটি অসি কুমজা ১৯২০দা সার সায়দ অহমদ খাননা লিংখৎখিবনি। য়ুনিভর্সিটি অসি ১৯২১দা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরকখি।

# ষ্টরলাইটকী অহানবা লোদ থাখ্রে

চেন্নাই, মে ১৩ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী তুতিকোরিনদা লৈবা ষ্টরলাইট প্লান্টনা কম্পনি অসিগী অহানবা ওক্সিজেন লোদ শগোলশেন নুমিত্তা নক্নুনা লৈবা তিরুনেলভেলি মেদিকেল কোলেজ কোলেজ হোস্পিটালদা থাখ্রে।

ওক্সিজেন কিলোলিটর ৪.৮২ পুরিবা গাড়ী অমা তুতিকোরিন দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টর দা. কে শেমথিল রাজনা ষ্টরলাইটকী প্রেমিসেসতগী লমথাখি।

সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্টিভতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এপোইন্ট তৌখিবা মোনিটরিং কম্মিটিগী চেয়রমেন ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর অসিনা হায়খি মদুদি, ষ্টরলাইটকী প্রেমিসেস মনুংদা লৈবা ক্বালিটি কন্ট্রোল লেবোরেটরিদা ওক্সিজেন কিলোলিটর ৪.৮২ অদুগী ক্বালিটি চেক নীংথিনা পাঙথোকখি। মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মীৎয়েং মখাদা লিক্বিদ ওক্সিজেন অদু মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল অদুদা পুরিবনি।

# ভেক্সিন কোন্নদবগী বেঙ্গলুরু সিটিদা ২শুবা দোজ কাপ্পদা ওইনা মীৎয়েং থম্লগনি

বেঙ্গলুরু, মে ১৩ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী কেপিটেল বেঙ্গলুরুদা এন্টি-কোভিদ ভেক্সিন কোন্নদবনা মরম ওইদুনা ব্রহট বেঙ্গলুরু মহানগর পালিকে (বি বি এম পি)না অনীশুবা দোজ কাপ্পদা ওইনা মীৎয়েং থম্লগনি হায়না সিভিক বোদি অসিগী চীফ কম্মিস্নর গৌরভ গুপ্তনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



গুপ্তনা পাউমীশিংদা ফোঙদোক-খিবদা, ভেক্সিন কোন্নদবনা মরম ওইদুনা ভেক্সিন কাপ্পদা অনীশুবা দোজ কাপ্পা অমসুং চহী ৪৫ মথক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পদা হেন্না মীৎয়েং থম্লগনি। হৌজিক চথরিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম রিভিয়ু তৌবগী খোঙচৎতা টাউন হোল মনাক্তা লৈবা দাসাপ্পা হোস্পিটালদা চঙলুরবা মতুংদা গুপ্তনা হায়খি, ভেক্সিন সপ্লায় মতিক চানা লৈরবা মতমদা চহী ১৮ অমসুং চহী ৪৫ মরক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপকনি। মরম অদুনা সেদ্যুল্ড এপোইন্টমেন্ট লৈত্রিবা ওইরবদি নহা ওইরিবা মীওইশিংনা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা থোমজিল্লোইদবনি।

ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা গুপ্তনা হায়, সিটি অসিদা ভেক্সিন ষ্টোরেজ ফেসিলিটিশিং ৱাৎপা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মেন্যুফেকচররশিংনা সপ্লায় নেম্বদগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংনা লৈরিবা ষ্টোকশিং শীজিন্নদুনা ভেক্সিন কাপ্পবা মেনেজ তৌবনি। সিটিজন খূদিংমক্না ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক কোৱিন পোর্টেলদা প্রি-রেজিষ্টর তৌগদবনি অমসুং সেদ্যুল্ড লেপ্পবা মতুংদা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা চৎকদবনি। মসিনা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা মী য়াম্না তিলহল্লোই। মসিগী মথক্তা প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদা ভেক্সিনগী অৱাৎপা লৈবনা মরম ওইদুনা ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ অসি হোস্পিটাল খরখক্তা পাঙথোক্লি।

# এম এস এন লেবসনা লিল্লিগা য়ানখ্রে

হায়দরবাদ, মে ১৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়েংবদা শীজিন্নগদবা বরিসিটিনিব শাবগা লোয়ননা মার্কেটিং তৌনবগীদমক্তা এম এস এন লেবস (এম এস এন)না য়ু এসকী কম্পনি ইলি লিল্লিগা রোয়েল্টিফ্রি, নন-এক্সক্লুসিভ, ভোলুন্টরি লাইসেন্স এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনরে হায়না শগোলশেন নুমিত্তা হায়দরবাদতা বেজ তৌবা এম এস এননা লাউথোকখ্রে।

বরিসিটিনিব হায়রিবা দ্রগ অসি ওক্সিজেন পীবগী মথৌ তাবা চহী মপূং ফারবা কোভিদ-১৯গী লায়না লৈরে হায়না চিংনবা লৈবা নৎত্রগা কনফর্ম তৌরবা মীওইশিংবু রেমদেসিভিরগা পূন্না শীজিন্নরগা ইমর্জেন্সিদা লায়েংনবগী অয়াবা সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসননা পীখি।

# ইমাম ফূরুবদগী পুলিস সস্পেন্দ তৌখ্রে

গোরাখপুর, মে ১৩ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী গোরাখপুরদা লৈবা মোস্ক অমদা নমাজ পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা ইমাম অমা ফূরুবগীদমক পুলিস পোষ্টকী ইন-চার্জ অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

রাজঘাট পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা পান্দে হাট্টা এরিয়াগী ইন-চার্জ ওইরিবা একুয়জ ওফিসল অর্জুন সিংহনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইদা নমাজ লোইরবা মতুংদা মীয়াম্বু তানখায়নবা হোৎনখি। মতুং তারকপদা মহাক্না ইমাম মোহম্মদ হাসিমদা ফূবা হৌখি। মীয়াম্না মহাকপু খামখি।

য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা ইমাম হাসিমগী ষ্টেটমেন্ট য়াওবা ভিদিও ক্লিপ অমা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইখি। নাই মসজিদকী ইমাম মৌলানা মোহমদ হাসিমনা পুলিসনা পীবা ষ্টেটমেন্টতা হায়খি মদুদি, অশ্রা নমাজ লোইরবা মতুংদা মহাক মোস্কতা লৈখি। মতমদুদা কোভিদ প্রোটোকোলগী য়েংদুনা পুলিস আউটপোষ্ট ইন-চার্জ অর্জুন সিংহনা মোস্কতগী মী তানবা হৌরকখি।

ঙাইহাক্কী মনুংদা মহাক্না মোস্ককী ষ্টেয়রদা লৈরিবা ইমামদা ওনশিনখি অমসুং মহাকপু ফূখি। অর্জুননা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতাসু শীজিন্নবগা লোয়ননা মহাক্কী ফিরোলসু শেগায়খি। থৌদোক থোকফমদুদা কোটৱালি সর্কল ওফিসর চঙশিন্দুনা মখোয়বু থেমখি।

এস এস পি দিনেশ কুমার পিনা হায়, ওফিসর কোটৱালিগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা পান্দে হাটা পুলিস পোষ্টকী ইন-চার্জ অরুন সিংহ সস্পেন্দ তৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা এস পি সিটিনা ইনভেষ্টিগেসন চথরি অমসুং মহাক্কী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা মখা তাবা এক্সন লৌখৎকনি। কোভিদকী অথিংবশিংগী মতুং ইন্না, লাইশোন পাঙথোক্লবগীদমক্তা মতম অমদা মফম অমদা য়াল্লবদা মী মঙা পুনবা য়াহল্লি।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 52,30,000+46,781 | 46,00,000+58,805 | 78,007+816 |
| Karnataka | 20,50,000+39,998 | 14,40,000+34,752 | 20,368+516 |
| Kerala | 20,10,000+43,529 | 15,70,000+34,600 | 6,053+95 |
| Uttar Pradesh | 15,60,000+18,023 | 13,40,000+27,139 | 16,369+326 |
| Tamil Nadu | 14,70,000+30,355 | 12,80,000+19,508 | 16,471+293 |
| Delhi | 13,60,000+13,287 | 12,60,000+14,071 | 20,310+300 |
| Andhra Pradesh | 13,40,000+21,452 | 11,40,000+19,095 | 8,988+89 |
| West Bengal | 10,50,000+20,377 | 9,12,000+19,231 | 12,728+135 |
| Chhattisgarh | 8,83,000+10,150 | 7,49,000+9,035 | 11,094+153 |
| Rajasthan | 8,06,000+16,384 | 5,90,000+12,840 | 6,158+164 |
| Gujarat | 7,15,000+11,017 | 5,78,000+15,264 | 8,731+102 |
| Madhya Pradesh | 7,00,000+8,970 | 5,84,000+10,324 | 6,679+84 |
| Haryana | 6,53,000+12,490 | 5,40,000+14,264 | 6,075+165 |
| Bihar | 6,22,000+9,863 | 5,19,000+12,265 | 3,503+74 |
| Odisha | 5,66,000+10,982 | 4,74,000+8,547 | 2,232+17 |
| Telangana | 5,12,000+4,723 | 4,50,000+5,695 | 2,834+31 |
| Punjab | 4,68,000+8,271 | 3,76,000+4,971 | 11,111+193 |
| Assam | 3,10,000+5,657 | 2,66,000+3,880 | 1,909+71 |
| Jharkhand | 3,01,000+4,362 | 2,47,000+8,331 | 4,182+97 |
| Uttarakhand | 2,65,000+7,749 | 1,83,000+7,058 | 4,123+109 |
| Jammu and Kashmir | 2,29,000+4,509 | 1,75,000+3,603 | 2,912+65 |
| Himachal Pradesh | 1,46,000+4,977 | 1,05,000+2,189 | 2,068+66 |
| Goa | 1,28,000+2,865 | 92,974+2,840 | 1,874+70 |
| Puducherry | 77,031+2,007 | 60,424+1,247 | 1,045+27 |
| Chandigarh | 52,633+776 | 43,506+859 | 599+14 |
| Chandigarh | 52,633+776 | 43,506+859 | 599+14 |
| Tripura | 39,054+480 | 34,946+127 | 424+2 |
| Manipur | 37,036+666 | 31,238+358 | 526+17 |
| Meghalaya | 20,985+406 | 17,354+314 | 250+8 |
| Arunachal Pradesh | 20,854+279 | 18,691+108 | 69+1 |
| Nagaland | 16,890+338 | 13,428+113 | 165+9 |
| Ladakh | 15,807+243 | 14,102+147 | 158+1 |
| Sikkim | 10,392+227 | 7,343+94 | 183+6 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 9,150+129 | 8,086+172 | 4 |
| Mizoram | 8,176+141 | 6,120+118 | 23 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,470+44 | 6,175+26 | 81+3 |
| Lakshadweep | 4,202+220 | 3,171+191 | 11+1 |


## / অৱাবা ফোঙদোকচবা

ইম্ফাল, তাং ১৩/৫/২০২১ ইং



হৌখিবা তাং ৮/৫/২০২১ ইং, শজিবুগী ২৭নি পানবা থাংজ নুমীৎতা মতম শাংনা 'নুংঙাই য়াইফবা মরুপ' অসিগী মেম্বর ওইনা লৈবীরম্বা শ্রী ফুরাইলাৎপম রাজেন্দ্রো শর্ম্মানা মনুং মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা মরুপ্পা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা তাং ১৩/৫/২০২১ ইং, শগোলশেন নুমীৎতা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনীজখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **M. Ibomcha Singh**
General Secretary
Nungai Yaiphaba Marup,
Sega Road Khwairakpam Leikai, Imphal.
HL-P/9743/14

## / CONDOLENCES

*Imphal, 13th May 2021*



On the sad and sudden demise of Ms. Bijaya Yumlembam, Programme Officer of All India Radio, Imphal on Wednesday, 12th May 2021, Lions Club of Imphal had arranged a virtual meeting to condole her untimely demise. The meeting was presided by the President of the Club Lion I. Gojendra Singh. A 2 (two) minutes silence was observed in honour of the departed soul and members joined in the prayer for the deceased. The members recalled her wholehearted participation and support in various acitivites and initiatives of Lions Club of Imphal.

The meeting resolved to send copies of the proceedings to local newspaper and AIR Imphal for publication/ announcement. The meeting also resolved to send a copy of the proceedings to the bereaved family.

Sd/- **Lion I. Gojendra Singh**
President, Lions Club of Imphal
HL-P/9745/14

## REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
**IMPHAL : MANIPUR**
**(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)**

### / ORDER

Imphal, the 13th May, 2021

**No. B/3522/2021-RIMS (Pt) :** The interview for engagement of Staff Nurse on temporary basis scheduled to be held from 13th May, 2021 onwards through video conferencing (Zoom Application) from 10:00 am onwards is hereby postponed due to technical issues.
2. The new date & time and the mode of interview will be notified later on.
3. This issues with the approval of the Competent Authority.

Sd/- **A. Shanti Devi,** Administrative Officer,
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal
HL-P/6969/14

## / অৱাবা ফোঙদোকচরি



ইরেংবম ননদি সিং, দিপার্টমেন্ট ওফ অনাতোমী, RIMS, ইম্ফালদা চৌকিদার ওইনা থবক তৌবীরিবনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা তারিখ ১১/০৫/২০২১ দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী তিচিং ষ্টাফ, নন-টিচিং ষ্টাফ অমসুং পি. জি. তি. পূম্নমক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবা-নুংঙাইতবদসু শরুক য়াজরি। লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি।

Sd/- **Teaching Staffs, Non-teaching Staffs & PGT,**
Department of Anatomy, RIMS, Imphal
HL-P/9744/14